# হিজম অঙাংহলগী শৈহেক শৈদানা মথ্বায় হাপ্লিবা খম্বা থোইবী শৈরেংদা ‘ষণ শেনবা’ - ২

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ইনখৎলকপা মতমগী মথোৎ কারক্লিবা শাবী-শানৌশিং, নুংশি হিরেন তোংদুনা ঈপাক ঈরেন লানগে তেমশিংনদবা য়াওরক্লোই। অশেংবা নুংশিবদি মফম মতম য়েংদে, অচৌ-পিশক, লায়র-অনং, অনেম-অৱাং খায়দে, অমাঙ-অতোং থিদে, কনানো করিনো নৈনরুদে। নুংশিবৈদমক উহৈ তাহৈদবা থৌদোক কয়া থোকপসু য়াওই। কনাগুম্বগী মফমদদি কথোকপতনা মশরুক ওই। থোইবীনা খম্ববু নুংশিবদি অদুক্কী মতিক থাক ৱাংই, অমাঙ অতোং থিদে হায়বসি ‘ষণ শেনবা’ পন্দুপ্তা ময়েক শেংনা উৎলি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা কথোকপখক্তনা মপূং ওইজৈ। অশৈবনা শৈথারিবগী মতুংইন্না চুং ফিরান চানা ফজবা শাওং-শাবান, নুপা থোকপা মতৌ, পূন্নমকসিনা য়োল্লবা খম্ববু অমনবা, শেগাইবা ফিজোল শেৎলবসু লাইমক্লি খলহনবগা লোয়ননা থৌজাল পীবা লাক্লমাল্লে হায়না চিংখুবগী পূক্লীংদা ফাওহল্লি। অমুকসু মহাক্না চিংখুবগী শুমাঙদা লেপ্লরবদা কৈলাসকী চীংয়াইদা শিবনা লেপ্লবগুম পূক্লীংদা ফাওখি। মণিপুরী খোরিরোলদা শিব লাইনীংগী ইথিল চঙলম্বগী ময়েক লারবা খুদমনি। অদুগুম্লবা খম্ববু অহানবা উরুবা মীৎকুপ্তুনি, নিংথৌকোনগী অৱাংবা পামেলথক্তা শাৎচবী থাদোই, মশামক্লসু খামজিঞ্জবা নংহৌদে মজাইবেম্মগী থম্মোয়দো হেক্তমক লাম্থোকখি খম্বদা। করম্বা থাক্তা লৈবা ইমুংগী মচা মশুনো থিজিনগে খল্লুদে, লমচৎ শাজৎনা কমদৌবা নৈনদে, মাবু নুংশিবীবা নৎত্রগা নুংশিবীদবা হায়বদু থৌশাখিদে। খম্বা মাসু মতিক মপা ওইদে, চৈরাক ফংগনি কিজৈ থল্লমদে, লায়র-ইনাক খুনবগী পঞ্জাউকাদু করিসু নাচুংবীদে, কথোরক্লবদবু লৌশিন্দবা য়ারিব্রা, পুদুনা অদুমক চৎখি। “ফজখ্রেদা নুরাসে! নুংশিখ্রেদা করিনো।” ৱাহৈ মরিনা শাবা লমহেল্লবা থম্মোয়গী মরোলনি, কয়াদা শাফু কনখ্রবনো! থোইবীনা অহানবা উবমক্তদা ওইখিবা ফীভম্বু অশৈবনা অদুক্কী মতিক ফজনা শৈথারি। নোংদোন খেৎনা ৱাংলবা পামেল উগী মতোন ইথং থংবদা মপূং মরৈ ফানা, ফূগাইনা শাৎপী শিঙেন লৈরাংগা মজাইবেম্মগা চাংদম্নে। নুংশিবগী তিলনা চিক্লবী থাদোই মহাক্না পাঙ্গল লৌশিং থোক্তনা ইচোক চোকথনা হামচৎ হম্বোইননা নুংশি মৈচাক খাঙজবা মতাং অদুবু অদুগুম্লবা পামেলথক্কী লৈরাং অদুনা খঙহৌদনা তেক্লগা লৈকংথক্তা তারকপগা চাংদম্নদুনা থোইবীগী নুংশিবা অয়ৌবী থাক্তা লৈরে হায়বদু ফোঙদোকই। শাবী শানৌশিংগী থম্মোয়দা নুংশি তিলনা চিকখ্রবদা তূম্বা, চাবা, চৎপদা তরং মালং ওইবা মওং অদুমক মজাইবেম্মদসু থোকহল্লি।

ফজরবা ৱাহৈগী লৈতেংনা য়োল্লবা শৈহেক শৈদানা অপাবা, অতাবা খুদিংমক্কী থম্মোয়দসু চৈনা অদুমক ফাওহল্লি হায়বা য়াই।

হান্না খঙলমদ্রবসু লায়রমচা লমজা খম্বনি খঙলকখি। খঙলে কমদৌনি কথোকখ্রবনি, পূক্লিং ওনবদি হায়রুনু, থোইনা হেন্নদুম চেৎশিন্নখি। অসিগুম্লবা মতাং য়ৌরকপদদি ফনমক লৌশিং চঙখোনবা চঙখোনবীসু ওইসনু কৈনোমা ইতৌ হেক তৌই। মদুনা ওইবতাই শিবা-নাবা কিনদবা থৌদোক কয়া থোক্লবৈ মরমসু। থোইবীদসু মদুমক থোকই। শৈরেংবগী খুথানি, “...খুমন মানা ফম্বসি/নুরা মজা ইবেম্মা থোইবী য়েংবা ঙমদরে/নোংয়াই মতৌ উবদা মুনবা মরোং কেন-গুম্মে/পম্থৌ মাঙ্গোল খেঞ্জোংলাং উখোক-তেন্দা ঙাদুনা/চেদা য়েকপা মুর্ত্তিগুম লৈরাং তুমিন লৈরকই/থম্মোয় লৈকোন নুংদগী লৈরাং তন্না হেক্লক্লে/লৈরাং পরেং লেংখরে/নুরা সনা খূত্তুদা/পরেং লৈরাং পায়রক্লে লমজাই মঙক অদুদা/লৈরাং অদু হুকউরে/নুরা ৱাখল চাওবীনি/ৱাখল মচেৎ অমতা তৌজহৌবা নংহৌদে/ৱাখল পূম্বা মাঙখরে থোইবী মদোম ঙাইহৌরে/ৱাখল চাউই হায়বীদো য়াই চারবা ঙাগুম্না/পম্থৌ মাঙ্গোন ঈপাক্তা নুরা মাদি তারকই। মতৌ অসুম্না লৈজরম্বা ৱাখল লৌশিং পূম্নমক মাঙখ্রবী থোইবীবু য়াই চারবা ঙাগা অমদি চিংখুবগী মাঙ্গোনবু লাইজ ঈপাক্তা চাংদম্নরম্বসিমক মণিপুরী খোরিরোলদা পীরিবা মমল য়াম্লবা খুদোলনি। মানা খামৌ মৌবা নোংবানমক ওইরম্লবদি মোইরাং লৈবাক অদুদা মাবু, মপাইবুংঙোবু মশক খঙদনা লৈরম্মী হায়দুনা চৈরাক পীদবা য়ারোই হায়না গৃ-গৃ তকশিল্লম্বসু য়ারিপোৎনি। নুংশিবা মীনা তৌথোরকপদি পঙনুংদা নুংশি হায়বদুনি। মপাইবুঙোদি যুবরাজনি, লৈঙাক থৌদা পুরিবনি, অৱাংবা থাক্তা লৈবনা ঙাকপীহৈবা থৌজালগী মগুনসু অদুমক চেনফম থোকই। খম্বগী লাইমক্কুম্না নীংথিজবা শাওং-শাবান শক্তম, থৌগল্লোন খঙবা মতৌ, ইচম চমজা, পিদোন্না হিংলিবা পুন্সি, পূন্নমক অসিনা মরম ওইরগা মহাকসু খুমন খম্বদা ঙাওখিবনি। য়োক্লগে হায়বফাও খনখ্রিবনি। মমৈথংদা পি অমগী ৱাথোক্তা মবুক্লিংদু খঙনুং নুংশিবগা লোয়ননা ইকায় নুংশি য়ান্নখিবগী ৱানি। নুমিত্তুগী ওইনদি খম্বনা মাবু খঙলমদবগীদমক মলোম মচেৎ অমা ফাওবা থমখিদে, খঙজদবনা তৌবনি খন্না ঙাকপীখ্রবসু তুং কোইখিদে, অদুক নুংশিরম্বদু য়েক্লবা অমনি খন, থৱায় ফাওবা লৌগে হায়না তেমশিংনরকখি। মপা অমনা মচাবু, মপুনা মনাইবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবগী থাক অদু য়ৌদবনা হন্দোক হঞ্জিন তৌখিবনি। মজাইবেম্মা লাংলেন থোইবীগী নুংশিবদি অরেপ্পা ওইখি, থাঙ তেন চঙখিদে। খম্বনা তৌথোরকপা খুদিংমক্তা ঙাওদবা মতাং য়াওদে। শৈথাবনা মরোন অমা, ওম্থোক্লা ফজনা শৈথারম্মী। চুম্না ’সুম থোইবী ওইরিদ্রা হায়না য়েংথোকচরক্কনি খম্বনা থোইবী সেনুদা। মীৎয়েংদো শানবগী তেন্দোংগী তেঞ্জৈগা চাংদম্নে। কোরৌথক্কী চেক্লাগা চাংদম্নরবী থাদোইগী থম্মোয় লাইয়ুমদা পালহন্দুনা নৌজরিবী হকচাংদু তনিক তনিক ৱানা খাঙহনবা, কয়াদা থাক ৱাংখ্রবা শৈথানো!

খম্বদা চরৈ কৎপা মতমদা খম্বগী মকাদা থুংজগে হায়না মপূক্লিংদা নীংলগা খম্বদা খুরুম্মী। খম্বসুনি, ফিদাদগী ফন চোংথরগা থোইবীবু তাপ ওকচৈ। মপু-মনাই, অনেম-অৱাংগী মীৎয়েং লৈরবসু খুদোল তম্বদা উৎনরম্বা থৌগল্লোন্দদি খেন্নবা থমদে হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। অতোপ্পগী থম্মোয় খুদুম চনশিনবা, অরায়বা থবক নত্তে, তোপ তোপ্পা মগুন খরা চঙই। মপুগী চরৈ ফিমন ওইনা ফংজগে হায়না চিংখুবগী মখোঙখাদা চরৈ ফি কৎচবগী থৌগল্লোন অদুমক শীংথানীংঙাই ওইরবা খম্বগী মগুননি। লৌশিং চাউই তাকপনি। মাগী মতিক ময়াইনা শুমহৎলগা চিংখুবনা মাবু য়ুমদুদা লৈদুনা পুক্কে লনগৈ পানরো চুম ছো শিন্নরগে হায়রকপদা খম্বনা য়াহনবীয়ু হায়না থোইবীদো খোয়ুম লাইদা থৌনিজৈ। শিল্লংজগে হায়বা খম্ববু চাক হান্না চাথোক্লবা হায়রকপা মপাইবুংঙোগী ৱাফমদু তাবদা মখূৎমক্লা থোংবা তরা চাক্লেনদু চাহনবীয়ু হায়না লাইনিংথৌ থাংজিংদা নিজৈ। খম্ববু থম্মোয় শেংনা নুংশিরুবনা মাগী মফমদা অথিংবা অমত্তসু থমগে খন্দে। ৱাখল মনীং তল্লকই, মসিমদি ঙল্লোই কিজৈ, ইকায়জৈ হায়না হন্দোক্কে খন্দে, থোইনা হেন্না মনীং তমজরকই। নুংশিবৈ চাংদি নুংশিজবা কনাগী থোঙ্গাল ময়াদা হৌবা পাঙখোল্লা ফাওবা নুংশি হায়নরিপাৎনি। থোইবীদসু মদুমক থোকখিবজাৎনি, অমনবা শেগাইরবা ময়ূমদগী শেৎচরকপা খম্বগী ফিজোলদু লোৎশিন্দুনা থমহৌই। মদু ফৎত্রে, মল্লে হায়দুনা মৈ থাদোকখ্রগে হায়বা নত্তে, খম্বমক্লি খন্না চেৎনা থাগোন্নজবনি। মদুননি, মচেম খম্লগী য়াথং ইন্দুনা, খম্বনা লোৎখ্রবদা মাগী চরেন ফিমন্দু কোন্দুনা কপচবনা মজাইবেম্মগী অপেনবা ওইজখিবদো। মহাকবিনা শৈথারকপা থোইবীগী অৱা মৈচাক অয়ৌবী থাকনি, মান্নজবী পূম্নমক্কী থম্মোয়বু শোয়দনা নুংহিক্লহনগনি। খম্ববু উনীংবগী খৌরাংবদু নোংগৌবী চেক্লানা ইঙা নোংজু ঙাইবগা চাংদম্নে। নুংশিবৈদমক ইকায় ইকি ৱাংমা লানখি, মনাই মশন থাদুনা খম্ববু থিহল্লুই। খম্বগী পূক্লিংদা ৱারৌবা লৈখ্রবরা, করিগীদমক অমুক হন্না লাক্কনি হায়না মীনম্বীরিবনো হায়না মথনন্তা হংজরগা খোয়রাংনা লেল্লি। কেগে মোইরাং মচা কনাবু কিবদগী লোক্তাক্তা লোৎখ্রবরা নৎত্রগা চীংঙু লাইনা মাবু ৱাহনগে হায়দুনা শান্নরিবরা হায়না তেংথাদুনা খাঙজখি। ওম্থোক্লসু নুংশিনা শৈথারি ... ইপন্না নিংথৌ ওইরি ইপা-যুজবরাজনি/ৱাংলোইদবোই নীংবনি থোইবী কৌবী ঐ অসে/কনাই কাদা চঙসিগে, কদাইদনো মহাকপো/কমদৌসিগে ইতারোই উখ্ররোইদ্রা কমদৌনি/পোকপদগী ৱাৎলক্তে মাবু উরুবদগী/থুংবিরেদো ঐঙোন্দা অৱাৎপগী শরুক-তো/কমদৌসিগে হায়য়ুবা নঙনা করি তৌবীনি!/হায়রদুনা থাদোইদো মিৎলু অনী পিন-থন/তোল্ল-তার জীবগুম হায়জরকই সেনুদা। সতি সীতাদসু বন্দা লৈরিঙৈদা হিংচাবনা হুরুবগী অৱাবা নংখি, খম্ববু থিজগে হায়না মবেম্মগী অৱাবা মতৌ য়েংঙমদ্রবী সেনুনা পূক্লীং ফাথনবা হোৎনজৈ। মপু মনাই অনীগী মরক্তা লৈরিবা অশেংবা নুংশিবা অমদি মরুপ অনীগী অচেৎপা মরী অদু তাকপনি। নুপা হায়বা ৱাহৈ অসি মনাদা তাহনবীরনু, তাজররোই ৱাশকই, খঙদ তাদবা য়াওখিদে। থোইবীগী মৈচাক খাঙলিবা ফীভম্বু লাইজ ৱাৎপা মফমদা হৌবা কোরৌ মৈশা লাংলবী থম্বাল অমসুং কম্বীথক্কী লেল্লেগা চাংদম্নে।

ষণ শেনবা পন্দুপ্তা মণিপুরী খুন্নাইগী মতম অমগী য়ূমদা কৈদা, থৌশু থৌচং, পুন্সি মহিংনচিংবসু ফজনা উৎলি। ষণ য়াম্না লোয়বা ঙম্ববু ইনাক খুনবগী খঙনরম্বগী মমি ফজনা তারি। নুপী ওইবীশিংনা শমুক মাঙদা থম, কৱ্রং লংজা খাইদুনা ফনেক মপান লোল্লম্মী। শিনফম অসিদা অনেম অৱাং খায়রমদে, নিংথৌকোনগী মমোম লাংলেন থোইবীসু, অচানবী সেনুসু নুপী ওইবীগী মশিঞ্জাং পাঙলম্মী। মণিপুরী খোরিরোলগী খোঙচত্তা লোনয়ান শীজিন্নরকপগী খুদম ওইনা বৃন্দা (তুলসি) নচিংবা ৱাহৈ য়াওরি। য়াওফমসু থোকই, মহাকবিনা থম্বীরম্বা ৱাফমগী মতুংইন্না খম্বা থোইবী শৈরেং ইবা হৌখিবসি মহাক্লা চহী নিফু শুরকপা হায়বদি কুমজা ১৯৩২দনি। মণিপুরী, মরুওইনা মৈতৈ অয়াম্বগী লাইনীং লীচৎ, ফিজেৎ-চাকচা, লোন-লি, ৱাঙাঙ-শঙাঙনচিংবা পূম্নমক হিন্দু কলচরনা অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লৈরিবা মতমনি। নুপা অমগী মতিক মগুন লেপ্পদা চূং ফিরান চাবা, কন থৌবা, থৌগল্লোন খঙবা মথৌ তারম্মী। মুক্লা, লেমজনফম ওইবা মশান্না ওইবগা লোয়ননা খম্বা, নোংবান অনীগী মতিক মগুন তাকপা হৌরকই। লায়র লমজা ওইরম্বগীরা, নুংশিবগী চোয় চাং ওনবদা মজাইবেম্মা থোইবীগীনা হেনবগুম্মী। কবিগী খোর্জৈদা তাইনবদি লানগনি, মীরোন মথং-মথং চীম্থাং ওইনা লাকখিবা ৱারী পরিংননি। থাঙ্গৈশেংনমক, মহাকবি অঙাংহলগী ‘ষণ শেনবা’ পন্দুপ, অতোপ্পা ৱারী মতাংশিংনা মসা মরেং ওইহল্লগা খম্বা থোইবী অনীগী নুংশি শৈহৌনা মপূং ওইনা শাগৎপনি। মোইরাং কংলৈরোন্দা মরু ওইবা মফম কল্লিবা খম্বা থোইবী ৱারীগী চেনা হাংদোকপা হৌরক্লিবা নুংশি শৈরোল শৈথানা থৱায় হাপ্লিবা পন্দুপনি। ●

# মণিপুরগী ষ্টেটহুদ ফংনবা তানবদা মাঙজিল থাখিবা লাই ওইখ্রবশিংদা খুরুমজরি

- ঐচ কাংজাম্বা -

কুমজা ২০১৯গী মণিপুর টু দে চেফোঙদা মণিপুর ষ্টেটহুদ ফংখিবগী ৱাফম খরা য়াওখি। চেফোঙ অদু পাজরুবদা ঐহাক তূম্বা য়াখিদে। ঐহাক ইশামক্লা মণিপুর ষ্টেটহুদ অন্দোলন য়াওবদা থেংনখিবা ৱাফম খরা থমজগে। অন্দোলন অদুদা ৱামিন্নখিবা, কৎথোকখিবা Jila Khalish ওইনা Nagao Special Jail Assam দা থা অহুম চুপ্পা জেলগী চেঙ-চাক চাদুনা অৱাবা খাঙমিন্নখিবা লাইওইখ্রবা (১) শ্রীলাইশ্রম অচৌ মীয়াম্না এম এ অচৌ হায়না খঙনবা এক্স পার্লিয়ামেন্ট মেম্বর এন্দ মণিপুর এসেমব্লি এম এল এ (২) শ্রী রিশাং কৈশিং, এক্স চীফ মিনষ্টির, মণিপুর, মতম অদুগী সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা (৩) ঐগ্যা বোরধাকুর শর্ম্মা, এক্স এম এল এ (৪) থোকচোম চন্দ্রসেখোর, এক্স এম এল এ (৫) লাইশ্রম কুলচন্দ্র, এক্স এম এল এ (৬) য়েংখোম নিমাই, এক্স মিনিষ্টর (৭) আর কে থম্বানসনা, খুরাই অসিনচিংবনি। অসিদা নত্তনা অতৈ কয়া অমসু লৈরি। মসিদি পনবদা লোইবা নাইররোই।

মণিপুরগী ষ্টেটহুদকী অন্দোলন অসি কয়া য়াম্না কনবগে হায়ববু সেন্ট্রেল জেলদা অন্দোকারী ফারুবা ময়াম অদু থম্বা চন্দদুনা শজিৱা জেলদসু থম্বা চন্দদুনা পল্লেন সী আর পি কেম্পতা মী লিশীং কয়া জেলদা থমখি।

মতম অদুদা পাল্লম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী গভর্ণমেন্টনা মখল কয়াগী এক্ট এন্দ রুল পানশিন্দুনা মথক্তা হায়রিবা মরুওইবা লিদরশিং অসি Nagao Jail দা থমখিবনি। অসিগুম্বা লৈবাক নুংশিবগী ৱাথোক অসি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা তুং কোয়না লৈহৌরগনি হায়জনীংই।

কাউবা য়াররোইদবা থৌদোক খরদং খনগৎচবা তারবদি, মণিপুরগী জেল মনুংদা লম হেল্লি হায়দুনা অহিংদা মণিপুর পুলিসনা চঙলক্লগা ঐখোয় ১৪গী মীং কৌরকই। নখোয় Nagao Special Jail দা Jila Khalish তৌরে। নফি নরোল য়োমশিল্লো হায়দুনা ফারগা জেল মপান্দা পুথোকই। জেল মনুংদা লৈমিন্নবা ময়াম হৌনা কপ্পখি। ফাদোক ঐখোয়গী মনুংদা লৈখিদ্রবা আর কে থম্বৌসনা, খুরাইনা লুচিংখি। ঐখোয়না অহিং নোংঙাল্লমদাই অসিদা মণিপুরদা ষ্টেটহুদ পীগদবনি হায়না কন্না কন্না লাউবদা পুলিসনা লাউগনু চীফ কম্মিস্নর শাওরক্কনি হায়না চৈনা কনখি। সেকমাই বজার য়ৌরগা নোংঙাল্লগা ব্রেক ফাষ্ট চারো হায়বীখি। অদুবু ঐখোয়না গভর্ণমেন্টকী মরন চারোই হায়খি অদুনা লাইওইখ্রবা ইবোহন পুলিস ওফিসরনা শেল অসি গভর্ণমেন্টনা নখোয়গীদমক চানবা কায়রকপা শেলনি হায়না থেমদুনা পীজখি।

লম্বী থোং ফত্তবনিনা দিমাপুরদা মণিপুর হাওস অপিকপা শঙ মচা অদুগী মনুংদা ঐখোয়বু পীজ-পীথক তৌহল্লি অমসুং তূমহল্লি। কাউবা য়ারোইদবদি নখোয় চেনবা চোংবা তৌগনু এক্স এন্দ রুলদা নখোয়দা য়োহ্লিং পোলাং চল্লু হায়বনি অদুবু নখোয়দি ঐখোয়গী ইচানি খন্দুনা য়োহ্লিং পোলাং চন্দবনি হায়বীখি।

মথংগী নুমিৎতা Nagao Special Jail য়ৌরে। ঐখোয় Nagao Special Jail গী জেল্লর কাদা পুশিল্লে। খুদক অদুদা ঐখোয়বু হেন্দ-কপ চন্দনা পুরকই হায়দুনা মণিপুর পুলিস ওফিসর লাইওইখ্রবা ইবোহলদা য়াম্না থীনা চৈবিখি। হেন্দ-কপ চল্লু হায়দুনা ওর্দর তৌখি। মদুদা ঐনা হেন্দ-কপ চনবীগনু, হুরান-চিন্থিগী কেসতা জেল অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থাবীরকপা নত্তে। ঐখোয়দি পোলিটিকেল প্রিজনরনি হায়জরুবদা নখোয়দি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এক্ট এন্দ রুলদা পোলিটিকেল প্রিজনরনি হায়রক্তে, লম্বীদা নূং পৈশিনবা, উজাওনা থৎপা গভর্ণমেন্টকী শম্পতি থুগাইবনি হায়বা এক্ট এন্দ রুলদা পল্লি।

জেল্লরনা হায়বিরে নখোয় হেন্দ-কপ চনবীররোই ঐগী জেল অসি লালহৌবা ফাদোক থম্ফমনি। লম হেল্লবদি গুহা মনুংদা থৌরিনা পুল্লগা থাদগনি, লম হেনবা শুংয়া য়ারোই হায়বিরে, ঐখোয় জেল মনুংদা থম্বীরে।

নুমিৎ খরা লৈরগা এল অচৌবা অমদি রিশাং কৈশিং মথক্তা পনজখিবা লাইওইখ্রবা লীদরশিং অসি Nagao Jail দা পুরক্তুনা ঐখোয় পূন্না জেলদা লৈমিন্নরে। ঐখোয়বুনা বি ক্লাস জেলদা থমই অদুগা ঐখোয়গী লীদরশিং অদুবুনা এ ক্লাসতা থমই।

এ ক্লাসকী অয়ূক্তা তল, বটর, শঙ্গোম য়াওবা চা পীথকই, ঐখোয়দি চঙাং পীথকই। এ ক্লাসকীদি ঙা নুমিৎ খুদিংগী পীজৈ। ঐখোয়গীদি চয়োল অমদা ঙা অমুক্তং পীজৈ। বি ক্লাসতা লৈরিবা নহারোলশিংনা এ ক্লাসতা লৈবা মখোয়না চারিবা বতর অমসুং ঙা ঐখোয়দদি পীজদে হায়দুনা শাওদুনা তুমিন্না তূমদুনা লৈরে। য়াম্না নুংশিবদি এ ক্লাসতগী বটর পুরক্তুনা ঐখোয়দা পীরে, ঙা অদুসু পূন্না থোংসি হায়দুনা ইয়াম্বা রিশাং কৈশিংনা তাঞ্জুলনা থোংবা চাক এঞ্জাং চাং য়েংউ হায়না চাক থোংবা হৌরে। অদুদগী ঐখোয়না ফমুংদগী হৌগৎতুনা চাক থোংলে অমসুং চামিন্নরে।

মতৌ অসুম্না থা অহুমরোম জেল অদুদা লৈরবা মতুংদা মতম অদুগী পার্লিয়ামেন্টনা মণিপুর ষ্টেটহুদ পীরে হায়না লাউথোরকপদগী Nagao Special Jail গী জেল্লরনা ঐখোয়বু থাদোক্লমদাই চাক চরা অমা চানবা ময়ূমদা কৌই। ময়াম পূম্নমক য়াম্না ইকায়খুম্নজবা ঙাক্তনি হায়বীখি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ৱারু-নুংজু থোক্ত্রিবমখৈ

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ইম্ফালদা লৈনা লৈনা জিরো কিলোমিটর হায়বসি করম্বা মফমদগী হৌবনো? মসিমক খঙদবা মীগী মশীং ওপার অমা লৈরমদৌরিবনি। মসি য়াম্না পঙবা অমসুং শিংবগী ৱা নত্তবদা পাঙথোকচাম্বগী ৱানি। তৌবতবু মসি খঙবদি কান্নবা লাক্তনীংঙাই লৈরোই। মতম অমদা সাইকলনা মশীং হেন্না লম্বীদা চৎনরম্বা, হৌজিক্লা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীনা মশীং হেল্লকপা চাওখৎলকপগী ঈচেলনি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না লম্বীনা ফনা নিংথিজনা পাকথোক চাউথোরক্লবসু লম্বীদি অদুমক কোমগদবা মাল্লক্ত্রবনি। অতৎ-অখম লৈতনা হেনগৎলক্লিবা মীগী মশীং, মসিগা ইরোয়ননা ইঞ্জিন পানবা গাড়ী কয়া লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকখিদৌরি? খোঙনা চৎনবগীদমক শেম্বা লম্বীসু ইরৈ লৈশিল্লক্ত্রবা মরম্না খুদোংচাদবা হায়বদুমদি অদুমক থেংনদুনা লৈদৌরি। লম্বী চৎপগী কাঙলোন ময়াম অমা লৈদুনসু মসিবু থাঙ্গৈশেংনা চৎলিদকো হায়দৌরিবসিবু হায়ববু ঙমগদৌরিব্রা? থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি।

ফুট পাথতা চৎথোক-চৎশিন্দা অপনবা পীবা মসিগা লোয়ননা দুকানগী পোৎলম থাংদোক্তুনা খুদোংচাবা লৌবা মসিমা নুমিৎ খুদিংগী থোক্ত্রবসু মরক মরক্কী ওইনদি অদুমক থোক্লিবনি। য়াদে খঙনা-খঙনা অদুমক অনম কন্নবনি। ইম্ফাল বজারনি হায়রিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী খাদা, অৱাংদা নুমিদাংগী মতমদা ইঞ্জিন পানবা গাড়ী কয়া অমা থম্নবা, মসিনা তাকপদি গাড়ী লোয়রবসু, লৈরবসু গাড়ী থম্ফম (গেরেজ) লৈতে তাকপনি। মসি মুন্না খল্লুরবদি অচুম্বা হায়বদু নৎত্রবনি। অথিংবা লৈনা-লৈনা অদুমক অনম কন্নবনা মশীং অয়াম্বনি। ইম্ফাল ইষ্টকী মফমদা লৈরিবা খুল অয়াম্বা লম্বী থোংদা লোইনমক ফরেদা হায়বা য়াবা নত্তে। ইম্ফাল ৱেষ্টকা চাং তম্নবদা ৱেষ্টনা খরদি হেল্লপ লৈরগনি। মসি পংহায় হায়জিনবগী ৱাদি নত্তবনি। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা লৈরিবা লমলোং কৈথেল শানবগী উরেপ উয়ুং (যাত্রা হুনবা) তমখিবা চহী কয়া ফাখ্রবগে? তারিখ, থা, চহী ইরুদুনা, হায়রুদুনা করিবু কান্নগনি? লোইব্রা? লোইদা অদুমক শারিবনি হায়দুনা মরৈবসিদি অউবা ইম্ফাল ইষ্টকী মীয়াম অয়াম্বনা কৈদৌঙৈ লোইগদৌরিবনো হায়না মশা-মশাগী মথম্মোয়দা হংনরবনি। ৱাহংসিগী পাউখুম কৈদৌঙৈনো মপূং ফাগদবা? নুমিৎ থা হুইনা চারোইদবনিনা নোংমদি শোয়দনা লোইরকখিদৌরিবনি।

ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শারিবা মীনু থোঙ লাম্থোক্লগা লমলোং বজার তাবা লম্বী মসিমদি লাইনা য়ারোই উৎসবতা নোংমাখা, শুক্তানি হাপদৌনা মৈঙাল থোকপা বল্ব খরা থানবীবা নত্তনা করিসু লৈতে, মসিনা মায়কৈ অসোমদা চৎপা অমম্বা হায়বদুমদি অদুমক মায়োক্লদুনা থেংনরবনি। মীনু থোঙদগীনা লমলোং বজার ফাওবসিদা মৈঙান ফজনা লৈবা সরক্কী ময়ায়দা য়ুংলিবা ষ্ট্রিট লেম্প থানবীবদা মায়কৈ অসোমগী মীওই অমত্তনা পেনদেদা হায়রক্লরোইদবনি। ইম্ফালগী নোংচুপ থংবদা পাকথোক্লিবা লম্বী মকা লাম্না চৎপদা নুংঙাইদা অদুমক হায়নরগদবনি। ইম্ফাল ইষ্টকীদি করম্বা মফমদা লম্বী পাকথোক চাউথোকই হায়গদৌরিবনো?

লম্বী থোং শেম্বীদবগী মীয়ামগী ৱাকৎ লাক্লিবসি মুন্না খল্লুরবদি এ সীদুগী মীহুৎতুগী থৌদাংনি। মাগী এ সীগী এরিয়াশিংদু কদায়দা করি ৱাৎলিবা, করি শোয়রিবা য়েংশিল্লুদবগী অৱাৎপা লাকপনা মীয়ামগী ৱাকৎ লাকপনি। মশা মশাগী এ সীদুগী অৱাৎ অপা খুদিং মীহুৎ মানা য়েংশিনবদা শোয়নীংঙাইগী মচাক্তি লৈতবনি। এ সী হুম্ফুগী ৱাকৎতি লোইনমক ওইদবনি। ৱাকৎসিনা মতোইনা লাক্লবা মথংগী ভোটতা মীহুৎনি হায়দুনা লৈরিবা ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা লমদমসিগী এ সী অমগী মীহুৎ অদুমদি নমদনা লফু কাদনীংঙাই লৈরোই। এ সীদুগী মীহুৎ অদুনা মতম লৈরিঙৈসিদা ঐদি মথংগী লফু কাজরোই খল্লবা হৌজিকতগী নিংগ্রি তাখৎতুনা অৱা অনা থিদবমখৈ হোৎনবা ফরবনি।

ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা মীহুৎতুনা নিংঙাইদনা লৈথোক্লবা এ সীদুদা সোসল ৱার্করনি হায়দুনা অকি-অখং লৈতবমখৈ ... মহাক অদুনা শোয়দনা মহুৎ শিনখিদৌরিবনি। মতমদুদা ঙাপ্রুম মমৈ খুজিন্না শিকপগী থৌদৌ তাদৌরিবনি। ভালোদি লাওরগা অয়োনা ইশাগী ওইবা মসিদি খ্বাইদগী ফৎত্রবনি। তুলসি মনা ওল্লগা ঙাওবা, তাইরেন মনা ফুরিৎখাওদা হাপ্তুনা থাজবা অমগা লোয়ননা অশেংবনি হায়না মশা মথন্তা খঞ্জবা মসিগুম্বা থৌওংসিদি অঙাওবনা মপান থোরকপগুম্বনি। মপানবু থোক্লবা অউবা থেংনবা মীনা শোয়দনা খঙলগদবনি। চাকচা-হৈজানবা, চাক্কী থবক থৌরমদা কনাগুম্বা অমত্তনা মচিননা থোক্লা ‘ঐদি চাক পুক থন্দে - ঐদি ঐগ্যাগা অমুক চাগনি’ মসিগী ৱাফমসিমক ঙসি ফাওবা কনা অমত্তা হায়নরকপা থেংনদবনি। মসিগুম্না হেক্তমক মতৌরবা ৱারীনদনা লোইদৌরিবনি। তৌবা য়াবা থবকসিদি মতমনা লৈরিঙৈসিদা কোন্থবা তৌদনা লোইশিনবা মসিমা খ্বাইদগী অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। য়াম্না ঙকপা অমনা ইম্ফাল মনুংগী মপান থোকফম কদায়দা লৈবগে হংবদা খুম্বা ঙমগদবা মী মশীং খরদি ৱাৎলগদবনি। খোঙ হাম্বগী লুপা ১০, মপান থোকপগী লুপা ৫ মসি নত্তনা লৈতবনি। মপান থোকফমদি য়ামদ্রবদা ইম্ফাল মনুংদা মশীং য়াম্নবু থম্বা য়ারবনি। হৌজিক হৌজিক্কী হায়বা তারবদা খুয়াথোংগী পোৎলোইফম মনাক্তা লৈরিবা অসি নত্তনা অতৈ কদায়দা লৈরিবগে? মশা-মশানা মচি-মুরুম থিরগা হোৎনবনা মশীং অয়াম্বনি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং থম্বীবদা ফজবা অপেনবা ওইরদবনি। তৌহন্নীংবা থবক ময়াম অমা হেনগৎলকপসিনা পেঞ্জদবা হায়বদু ওইরবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ ইম্ফাল*

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।